

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, FEBRUARY 05, 2019 PAGE 7



*মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা খোঙদা ফ্রেকচর তৌদুনা সর্জরি চত্থরিবা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলগী দিফেন্দর জো গোমেজ*

*ইন্দিয়াগা শান্নগদৌরিবা টি-২০ সেরিজদা খ্বাংগী অনাবা লৈবদগী শরুক য়াবা ঙম্লোইদৌরিবা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন মার্টিন গুপ্টিল*

## ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম ও দি আই রেঙ্কিংদা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে, কোহলি অমদি বুমরাহ মকোক্তা লৈরি

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ০৪ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি থাদোরকপা ৱান দে ইন্টরনেসলেগী টিমগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে। ওদিআইগী বেটসমেন অমদি বোল্লরদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমদি জস্প্রিট বুমরাহনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অদুসু লৌবা ঙমদুনা হান্না লৈরম্বা পোজিসন্দগী হাইগৎপদা চাওনা মতেং পাঙবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিম্না ঙরাং ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা ৫শুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচতা রন ৩৫ দা মায় পাকখিবা অদুনা মপুং ওইরগা ইন্দিয়াগী টিম পুন্না পোইন্ট ১২২ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

টিমগী রেঙ্কিংদা ইংলেন্দনা পুন্না পোইন্ট ১২৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি। হান্না অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরম্বা ন্যু জিলেন্দগী টিম থাক অমা হাইথরগা মরিশুবা পোজিসনদা সাউথ অফ্রিকাগী মতুং দা লৈখি।

ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী বেটসমেনশিংগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি। অদুগা বোল্লিংদসু ইন্দিয়াগী বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি।

মমাঙ থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজদা অহুমকল থংন-থংননা হাল্ফ সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি হান্না লৈরম্বা থাক্তগী মফম ৩ হাইগৎলগা ১৭শুবা পোজিসনদা কাখৎখি।

বোল্লরদা ইন্দিয়াগী লেগ-স্পিন্নর য়ুজভেন্দ্র চাহল মফম অমা হাইগৎলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর ভুবনেশ্বর কুমারসু কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা পোজিসন ৬ হাইগৎলগা ১৭শুবা মফমদা লৈখি।

ন্যু জিলেন্দগী ফাষ্ট বোল্লর ট্রেন্ট বোল্টনা ঙরাং লোইশিনখিবা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা ৱান দে সেরিজ অদুদা য়াম্না ফজবা বোল্লিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা ৱিকেট ১২ লৌবা ঙমদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না অয়রলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মুরসিয়া, ফেব্রুৱারি ০৪ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না চৎলিবা স্পেন টুরগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা আয়রলেন্দগা শান্নখিবা ২শুবা ফ্রেন্দলি মেটচতা ইন্দিয়ানা আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়া অমসুং অয়রলেন্দনা শান্নখিবা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা হৌবদগী এটেক হেন্না তৌদুনা আয়রলেন্দগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা নভজোট কোরনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।



অনীশুবা ক্বার্টর শান্নরকপদা আয়রলেন্দনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী পাঞ্জল ওইহন্দনা থমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা দিপ গ্রেস ইক্কানা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট রিনা খোকারনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবা ইন্দিয়ানা আয়রলেন্দদগী পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। অরোইবা ক্বার্টর লোইগদবা মিনট খরদং ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা গুরজিট কোরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ৩-০ দা অয়রলেন্দবু মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ মারিনেনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা নুমিৎ ৯ দা মেটচ ৬ শান্নখিবা অসিদা টিম অসিগী শান্নরোইবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। স্পেন টুর অসিগী লেমহৌরিবা মেটচ অনীদা টিম অসিগী কেপ্টেন রানি রামপাল পাম্বোম শোকপদগী মরম ওইরগা শরুক য়াররোই হায়নসু চীফ কোচ অসিনা মখা তাখি।

## লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদনা দিপোর্টিভো অলাভেসপু ৩-০ দা থোইদুনা মেটচ মরিরক থংন-থংননা মায় পাকপা ঙমখ্রে

*মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারি ০৪ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদনা দিপোর্টিভো অলাভেসপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৪রক থংন-থংননা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

রিয়েল মাদ্রিদ অমদি দিপোর্টিভো অলাভেসনা শান্নখিবা মেটচ অদু মিনট ২৫ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। ৩০শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা করিম বেঞ্জেমানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।



অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লৈখি। ৮০শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই ভিনিসিয়স জুনিয়রনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ইনজুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা মারিয়ানো দিয়াজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ঐবারনা জিরোনাবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল ঐবারগী শান্নরোই রুবেন পেনানা চন্দুনা ১-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপা অহানবা মিনটতা ঐবারগী শান্নরোই চার্লিসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। ৫৭শুবা মিনটতা ঐবারনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা চার্লিসনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু ঐবারনা জিরোনাবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইটালিদা পাঙথোকপা সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা রোমা অমদি মিলান পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল মিলানগী শান্নরোই পিয়াটেকনা চন্দুনা ১-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা অহানবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই নিকোলো জানিওলোনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ১-১ দা দ্রো চৎখি।

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সর্জিও এগুইরোগী হেটট্রিক পাঞ্জলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নবগী অহানবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী সর্জিও এগুইরোনা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদু আর্সনেলগী লোরেন্ট কোসসিয়েন্টলিনা ১১শুবা মিনটতা মান্নহনবা ঙমখি।

৪৪শুবা মিনটতা এগুইরোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬১শুবা মিনটতা এগুইরোনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু ৩-১ দা মায় পাকপা ঙমখি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE

NOTIFICATION
Imphal, the 4th February, 2019

No. G/GNM SCHOOL (TBL)/DHS-2018 :In continuation of this directorate notification of even number dated 02/01/2019, all the candidates whose names have been sponsored by respective Employment Exchange for the following posts are hereby informed to collect application forms from this directorate from 10.30 a.m. to 4 p.m. on payment of application form fee as indicated below:

| Sl. No. | Name of post | Rate of Application Fee | Schedule of Form issue | Schedule of Form receipt |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Tutor | Rs.150/- for Gen/OBC Rs.100/- for SC & ST | 06/02/2019 to 12/02/2019 | 12/02/2019 to 18/02/2019 |
| 2. | Librarian | | | |
| 3. | Lower Division Clerk | | | |
| 4. | Stenographer Grade-III | | | |
| 5. | Driver (Light) | | | |
| 6. | Warden (Female) | | | |
| 7. | Grade-IV/MTS | Rs.50/- for all categories | | |

No fee will be charged for PWD candidates.

Sd/-
( Dr. K. Rajo Singh )
Director of Health Services, Manipur

SL/Bill/5, 6, 7

Imphal, the 4th February, 2019


## দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌখ্রে, অহৌবা মেটচতা এএফসি থৌবাল মায় পাকখ্রে

*থৌবাল, ফেব্রুৱারি ০৪ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৯ না গ্রুপ ৩ থোক্লা খাইদোক্তুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দ ককচিংদা ১৫শুবা দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট লেবেল ইনবাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার নৈলেনথাং টেলিয়েন (আই এ এস), দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী প্রসিদেন্ট ৱাই মাঙ্গোজাও অমদি ৱাবগাইগী জিলা পরিষদ মেম্বর এন জয়ন্তকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা এএফসি থৌবালনা এল ৱাই এ ৱাঙুবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এএফসিনা এল ৱাই এগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক চত্থদুনা গোল একাউন্ট হাংনবগী হোৎনজমন ফংদুনা মিনট ২২ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৫ সুরজনা চনখিবা গোল অসিনা অহানবা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু এএফসিনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা শান্নরক্তুনা মিনট ৭৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ১১ সাহিদুরনা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অপীবা মিনট লোইরবা ফাওবা গোল শোত্থরিবা এল ৱাই এনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী মেটচ অদু ০-২ দা মায়থিবা নংখি।

মেটচ অসিদা এএফসিগী জর্সি নম্বর ৬ পিলি, এল ৱাই এগী সোনকুপ্রেম অমদি মার্কোনিদা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি টি ঐচ দিনেশ্বর, সন্টোস, সি ঐচ শ্যামসন অমদি ৱাই বিদ্যলক্ষমীনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১ঃ৪৫ দা এস দব্লিয়ু সি কৈরক অমদি ফুটবোল ক্লব লমজাওগা শান্নরগনি।

## চেন্নাই ওপনদা সুমিত নগাল অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ০৪ঃ*

তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমিত নগাল অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সুমিত নগালনা স্পেনগী দি পেরেজ সাঞ্জবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা বাই ফংলকখিবা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী দি ঐচ লিগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই এ কাধেসু ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী আই নেদেলকোবু ৬-৪, ৬-১ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী জে হর্নান্দেজগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই সিদ্ধার্থ ভিশ্বাকরমা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী বি ইল্লিসকী মখূত্তা ২-৬, ২-৬ তা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ভি এস প্রসান্থনা স্পেনগী কার্লোস বোলুদা পুরকিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নবা মতুং ৬-২, ২-৬, ৬-২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙলকখিবা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সাকেট মাইনেনিগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অভিনাভ সঞ্জিভ সানমুগাম টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী শান্নরোই হেন্টা টোকুদাগী মখূত্তা ৩-৬, ৪-৬ তা মায়থিহৌদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

## লীগে ৱানদা লিওন মায় পাকখ্রে

*পেরিস, ফেব্রুৱারি ০৪ঃ*

ফ্রান্সকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগে ৱানদা লিওননা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোই এঞ্জেল দি মারিয়ানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৩শুবা মিনটতা লিওনগী মৌসা দেম্বেলেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৪৯শুবা মিনটতা লিওননা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা নাবিল ফেকিরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু লিওননা পেরিস সেন্ট জর্মেনবু ২-১ দা থোইরমখি।


IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 182/SDC/P of 2019

Abdul Gafar S/o Abdul Helim of Keikhu
Petitioner
-Vs-
Md. Firoz Saha S/o Abdul Helim of Keikhu - Co-Pattadar No. 1 (One)
O.P.

NOTICE
Porompat, the 04-02-2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Kshetrigao গী Patta No. 162, 236/ Angsh (অরিবা) 352/ 639 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1199/ 1299 an area 0.18 acre of Ingkhol class লম অসিগী Co-Pattadar No. 1 (One) অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 (One) গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill(L)/5(B)



IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 184/SDC/P of 2019

Thokchom Priyananda Singh So/ (L) Gulamjat Singh of Top Khongnang Makhong
Petitioner
-Vs-
Thokchom Gulamjat Singh S/o (L) Chaoba Singh of Khurai Khongnang Makhong
O.P.

NOTICE
Porompat, the 04-02-2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 39-Wakha গী Patta No. 356/ Angsh (অরিবা) 142 (অনৌবা) C.S. Dag No. 110 an area 0.62 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill(L)/5(A)



PIS Brick Field (Mechanised)

(From time to time rate changeable)

BRICK SAMPLE




| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
SL/1198/Alt.50 days


### ক্রোসৱার্দ ৬২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | U | P | S | | A | S | I | D | E | | N | A | G | S |
| A | T | O | P | | S | I | R | E | D | | I | S | E | E |
| G | A | L | A | | P | E | A | C | E | | A | S | E | A |
| S | H | O | R | T | E | S | T | | N | I | C | E | S | T |
| | | | | O | C | T | E | T | | R | I | S | E | S |
| R | E | G | A | T | T | A | | S | C | A | N | S | | |
| A | D | A | G | E | | | S | P | U | N | | M | E | L |
| M | I | R | E | | R | O | U | S | E | | C | E | D | E |
| P | T | A | | P | I | L | E | | | R | A | N | G | E |
| | | G | R | A | D | E | | S | T | A | R | T | E | R |
| G | R | E | E | N | | O | S | C | A | R | | | | |
| R | E | S | E | T | S | | T | O | L | E | R | A | T | E |
| O | P | A | L | | A | B | A | T | E | | E | R | I | E |
| P | A | L | E | | L | A | T | I | N | | B | I | L | L |
| E | Y | E | D | | T | R | E | A | T | | A | D | E | S |